# দিফেন্স দিপার্টমেন্টনা পৱার ত্রাঞ্জিসনগী অকুপ্পশিং পীদ্রে হায়না জো বাইদেননা মরাল শিখ্রে



ৱাশিংটন, দিসেম্বর ২৯ (এজেন্সী) :
য়ু এসকী প্রসিদেন্ট ওইনা খল্লবা জো বাইদেননা দিপার্টমেন্ট ওফ দিফেন্সপু পৱার ত্রাঞ্জিসনগী অকুপ্পশিং মহাক্কী টিমদা পীদে হায়না মরাল শিখ্রে হায়না মীদিয়া রিপোর্টনা হায়রি।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা ত্বিটরদা থাগৎপা ভিদিও মেসেজ অমদা বাইদেননা হায়খি, মালেমগী মফম কয়াদা লৈরিবা ঐখোয়গী ফোর্স অমসুং য়েক্লবশিংনা হেঞ্জিল্লকপা ঙমদনবা ঐখোয়গী ওপরেসনশিংগী ময়েক শেংবা শক্তম অমা ঐহাক্কী টিম্না পাম্মী।

য়েক্লবশিংনা খুদোংচাবা লৌবা ঙমদনবা চমন্নবগী ফীভম অমত্তা লৈহৌদবা দিফেন্স দিপার্টমেন্ট অমসুং অতৈ এজেন্সিশিংদা হৌজিক পায়খৎলিবা বর্জেটকী থৌরাংশিং ঐখোয়না মুন্না খঙবা মথৌ তাই হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

দিপার্টমেন্ট ওফ দিফেন্স অমসুং মেনেজমেন্ট এন্দ বজেটকী ওফিসতা লৈরিবা পোলিটিকেল লিদরশিংনা অয়েৎ অপন কয়া পীরক্লে হায়না পল্লদুনা বাইদেননা হায়খি। হৌজিক হৌজিমক মরু ওইবা নেস্নেল সিক্যুরিটি এরিয়াশিংগী মতাংদা ঐখোয়না হৌজিক লৈরিবা এদমিনিষ্ট্রেসন অসিদগী মথৌ তাবা ইনফোর্মেসন শুনা ফঙদ্রি।

জো বাইদেনগী ৱাফম অদুগী পাউখুম ওইনা এক্টিং দিফেন্স সেক্রেটরি খৃষ্টোফর মিলরনা হায়খিবদা ওফিসলশিংনা খ্বায়দগী ৱাংবা থাক্কী মথৌ মশক খঙবগী ৱাখল্লোনগা লোয়ননা ত্রাঞ্জিসনগী থবকশিংদা মতেং পাঙনবা হোৎনরি। বাইদেনগী ত্রাঞ্জিসন টিম্না হান্না হায়জরকখিবদগী য়াম্না হেনবা মওংদা দিপার্টমেন্ট ওফ দিফেন্সনা ওফিসল ৪০০ হেনবগী ইন্টরভিয়ু ১৬৪ পাঙথোকখিবগা লোয়ননা লামায় ৫,০০০ হেনগৎপা দোক্যুমেন্টশিং পীখি হায়নসু মিলরনা ফোঙদোকখি।

প্রসিদেন্সিএল ত্রাঞ্জিসন প্রোসেস হায়বসি ওফিস থাদোকখ্রগদবা এদমিনিষ্ট্রেসননা প্রসিদেন্ট খল্লবা মীওই অমসুং মহাক্কী টিমদা মরু ওইবা ইনফোর্মেসন অমসুং দ্যুটিশিং শিন্নববুনি। অসুম তৌবা অসিনা অনৌবা টিম্না ওফিস পায়বদা হেন্না খুদোংচাহল্লি।

হৌখিবা নবেম্বর ৩ দা মীখল পাঙথোকখিবা মতুং নুমিৎ কয়ানি মীখলগী রিজল্টশিং য়ানিংদবা উত্তুনা লাকখিবা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা মীখলদা মহাক মায়থীরে হায়বসি য়াজ খিবগা লোয়ননা ফোর্মেল ত্রাঞ্জিসন প্রোসেস চথবগী ৱাফমসু য়াখিবনি।

# পার্লিয়ামেন্টকী মতম শাংদোকপা কন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তনিঃ ভেনিজ্যুলাগী মাদুরো



করাকাস, দিসেম্বর ২৯ (এজেন্সী) :
ওপোজিসননা কন্ট্রোল তৌবা নেস্নেল এসেমব্লিগী মতম মথং চহী ফাওবা শাংদোকহন্নবা হোৎনরক্লিবসি কন্সটিট্যুসনগী চৎন কাঙলোনগী ৱাংমদনি হায়না ভেনিজ্যুলাগী প্রসিদেন্ট নিকোলাস মাদুরোনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে অমসুং লৈবাক অসিগী জষ্টিস সিষ্টেম তৌফম থোকপা তৌনবা তকশিনখ্রে।

ওপোজিসন লিদর জুৱান গুৱাইদোনা কন্ট্রোল তৌবা নেস্নেল এসেমব্লিনা মাদুরোগী রুলিং সোসলিষ্টশিংনা চাওনা মায় পাকখিবা দিসেম্বর ৬ তা পাঙথোকখিবা পার্লিয়ামেন্টরি মীখল লোনা য়াদে হায়না লাউথোকপগা লোয়ননা নেস্নেল এসেমব্লি ভোট লৌনদুনা অসিগী টর্ম শাংদোক্লবগী ৱারেপ লৌখি। ভেনিজ্যুলাগী মরু ওইবা ওপোজিসন পার্টিশিংনা মীখল অদু মওং মরিল তানা অমসুং ফ্রী ওইনা পাঙথোক্লোই হায়রদুনা বোইকোট তৌখি। গুৱাইদোবু কু অমা পাঙথোক্তুনা মহাকপু মফমদগী চিংথুবাপান্বা য়ু এসনা শৌগৎপা হংলাইনি হায়দুনা লাকপা মাদুরোনা মীখল অদু কুমজা ২০১৫ দা ওপোজিসননা পার্লিয়ামেন্টতা মেজোরিটি ওইখিবগা মান্ননা ত্রান্সপরেন্ট ওইনা পাঙথোকখি হায়খি।

কন্সটিট্যুসনগী কাংলোননা য়াদবা মওংদা মশানা টর্ম শাংদোকচনবা তৌবা ক্লেমশিং মরম চাদে। লৈবাক অসিগী জষ্টিস সিষ্টেমনা তৌফম থোকপশিং তৌগদবনি হায়না মাদুরোনা ষ্টেট টিলিভিজনগী ইন্টরভিয়ু অমদা ফোঙদোকখি।

লৈবাক্কী থাজবা মাঙহনবগুম্বা ক্রাইম কয়াদা চেন্নে হায়দুনা ত্রিমিনেল ইনভেষ্টিগেসন মায়োক্লরক্লবা লেজিসলেটর কয়া লৈবাক অসি থাদোক্তুনা চেন্নখিবগা ঈরোয়ননা পার্লিয়ামেন্টনা টর্ম শাংদোকপগী খোঙথাং অসি লৌখৎলকখিবনি। গভর্ণমেন্টগী থৌওং কিবদগী ওপোজিসনগী অতৈ লেজিসলেটর কয়া মখা তানা কোংগ্রেসতা লৈনিংদ্রবনি।

গুৱাইদোনা মাদুবুরোবু মতম অমদা নুংঙাই য়াইফরম্বা ওপেক লৈবাক অসিগী শেন থুমগী থবক থৌরম অপুম্বা ফেল ওইহনবা করপট দিক্টেটর অমনি হায়না মরাল শিরি।

দিমোক্রেসি চৎপা নোংচুপলোমগী লৈবাক কয়ানা শকখঙলিবা গুৱাইদোনা কুমজা ২০১৮ গী মীখলদা অমুক হন্না মায় পাক্তুনা মাদুরোনা ভেনিজ্যুলাগী লিদর ওইখিবা অসি লোনা য়াফম থোক্তে হায়খি।

# য়ু এন মিসনদা চথখিবা এটেকশিং সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা কন্দেম তৌখ্রে



য়ুনাইটেদ নেসন্স, দিসেম্বর ২৯ (এজেন্সী) :
থা অসিগী ২৫ দা মল্টিদাইমেন্সনেল ইন্টিগ্রেটেদ ষ্টেবিলাইজেসন মিসন ইন দ সেন্ট্রেল অফ্রিকান রিপব্লিক (মিনুস্কা) তা এটেক তৌদুনা পিছকিপ্পর অহুম শিহনখিবা থৌদোক য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা কন্দেম তৌখ্রে।

বুরান্দিদকী পিছকিপ্পর অহুম শিহনখিবা অমসুং অতৈ অনী শোকখিবা সেন্ট্রেল অফ্রিকান রিপব্লিকতা লৈবা য়ু এন মিসনগী মায়োক্তা এটেক কয়া চথখিবদু য়ু এন এস সীনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা খ্বাইদগী কনবা মওংদা কন্দেম তৌখি।

গভর্ণমেন্টকা লান্থেংনরিবা রেবেল কোলিসন অমনা ক্রুপ অমদগী হন্দোকখিবগা লোয়ননা নোংমাইজিং নুমিত্তা পাঙথোক্কদবা জেনরেল ইলেক্সন লেপ্পবা আপীল তৌখিবা মতুং কেমো প্রিফেকচরগী দেকোৱা অমসুং সিলবুটকী মনাক্তা মশক খঙদবা খুৎলাই পায়বা কন্বেটেটশিংনা এটেক কয়া চথখি।

এটেকশিং অদুদা লৈখিদ্রবশিং অদুগীদমক্তা সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী মেম্বরশিংনা থম্মোয় শোক্না অৱাবা ফোঙদোকখি অমসুং অশোকপশিং অদুনা ফগৎলকপা ওইরসনু হায়খি।

খুৎলাই পায়বশিং অমসুং অতৈনা মিনুস্কাগী মায়োক্তা কাইহৌবগী মওংদা চথরকখিবা এটেকশিং অমদি হাৎনা শুনবগী ঈরাং হেনগৎহনগদবা থৌওং খুদিংমকসু মখোয়না কন্দেম তৌখি। সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী মেম্বরশিংনা মিনুস্কাবু মখোয়না মপুং ফানা শৌগৎলি হায়না নৌহৌননা পনবগা লোয়ননা মিসন অদুদা ত্রুপ অমসুং পুলিস কন্ত্রিব্যুট তৌরিবা লৈবাকশিংবু থাগৎলি।

সি এ আরদা থোক্লিবা সিক্যুরিটি, হ্যুমেনিটরিয়ন, হ্যুমেন রাইটস অমসুং পোলিটিকেল ক্রাইসিস হকচিন্না লৌরদুনা য়ু এন এস সীনা কুমজা ২০১৪ গী এপ্রিল ১০ দা মল্টিদাইমেনস্নেল য়ু এন পিছকিপ্পর ওপরেসন অমা ওইনা মিনুস্কা দিপ্লোয় তৌবগী অয়াবা পীখি। কুমজা ২০২০ গী নবেম্বর ফাওবদা মিনুস্কাদা পুন্না পর্সনেল ১৪,২৯৩ য়াওখি। পর্সনেল মশীং খ্বাইদগী য়াম্না কনত্রিব্যুট তৌরিবা লৈবাক মঙাদি নাইজিরিয়া, বাংলাদেশ, পাকিষ্টান, ইজিপট অমসুং জাম্বীয়ানি। হৌজিক ফাওবদা য়ামদ্রবদা মিনুস্কাগী পর্সনেল ১২৭ শিখ্রে।

# বৃটেনদা নুংতিগী থেংনবা কোভিদ কেস মশীং ৪০,০০০ হেল্লক্লে

লন্দন, দিসেম্বর ২৯ (এজেন্সী) :
বৃটেনদা রেকোর্দ ওইবা মওংদা নিংথৌকাবা নুমিত্তা অনৌবা কোভিদ-১৯ কেস ৪১,৩৮৫ থেংনখ্রে। খোঙজেল য়াঙনা শন্দারক্লিবা কোরোনা ভাইরসকী ভেরিয়ন্ট অমনা ইনফেক্সনগী চাং ৱাংখৎহনবদগী ফীভম অসি লাক্লিবনি।

গভর্ণমেন্টগী কোরোনা ভাইরস ষ্টেটিষ্টিক্স প্রোর্টেলগী মতুং ইন্না, পোজিটিভ কেস অমা থেংনখিবা মতুং নুমিৎ ২৮ নিগী মনুংদা ইনৌ নৌনা মীওই ৩৫৭ শিখি।

ঐখোয়গী হোস্পিটালশিং রিস্ক ৱাংবা মফমশিংনি হায়না লৌনরিঙৈদা ইনফেক্সনগী চাং কা হেন্না ৱাংলকপগী মওং অমা লাক্লিবসি নুংঙাইতনিঙাইনি হায়না পব্লিক হেল্থ ইংলেন্দগী মেদিকেল দিরেক্টর য়িভোন্নে দোইলেনা ফোঙদোকখি।

চাদা ৭০ হেন্না লৌনগনবা কোরোনা ভাইরসকী ভেরিয়ন্ট অমা বৃটেনদা থুনা শন্দোরক্লে হায়না প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সন অমসুং মহাক্কী সাইন্টিফিক এদভাইজরশিংনা ফোঙদোকখিবনি। অনৌবা ভেরিয়ন্ট অদু হেন্না শাথিবা নত্রগা লায়না হেন্না লুনা নাহনবা ঙম্বগী মওংদা উদে হায়না মখোয়নসু লাউথোকখি।

লৌনগনবগী চাং ৱাংবা অনৌবা ষ্ট্রেন অদুনা মরম ওইদুনা লন্দন অমসুং সাউথ ইষ্ট ইংলেন্দদা মী তিনবদা হেন্না কনবা অথিংবশিং থমখি।

খৃষ্টমাসকা মরী লৈননা লায়চৎ লাকশিন্নবগী অথিংবশিং কোমথোক্লবা থৌরাংশিং লৌখৎলম্বদগী অনৌবা ষ্ট্রেন অসিনা অথিংবা কোমথোকপগী থৌরাংশিং থাদোক্তবা য়াদবগী ফীভম লাকহনখি।

জোন্সননা হৌখিবা চয়োলদা ৱা ঙাঙখিবদা কোরোনা ভাইরসকী অনৌবা ভেরিয়ন্ট অমা শন্দোরক্লিবদুনা লৈবাক অদুদা অরুবা মতম লাক্লগনি হায়বগী ইঙ্গিৎ পী হায়না ফোঙদোকখি। মিনিষ্টরশিংনসু লায়চৎ লাকশিন্নবা অহেনবা থৌরাংশিং লৌখৎপনা ফগনি হায়না ফোঙদোক্লখি।

পোজিটিভ কেস মশীং হেনগৎলিবদুগী মরম অমদি নোর্দন আইরলেন্দনা খৃষ্টমাসকী ছুটি লৈবদগী নোংমাইজিং নত্রগা ইরাই নুমিত্তা কেস অমত্তা রিপোর্ট তৌখিদ্রবা মতুংদা অনৌবা কেস ১.৬৩৪ রিপোর্ট তৌখিবা অসিনি।

ইংলেন্দদা হান্না থেংনবা ইনফেক্সন মশীংদগী হৌজিক নোংমদা কেস ১১,০০০ রোমগী চাংদা হেনগৎলক্লিবসি কুম্মৈগী ছুটিনা মরম ওইদুনা টেষ্টকী মশীংদা অকা অকুম লৈবদগীরা হায়বা শেংনা খঙদ্রি।

# সাউদি অরাবিয়ানা লুচিংবা কোলিসননা সানাদা লৈবা মিলিটরি সাইটতা এটেক তৌখ্রে



অদেন, দিসেম্বর ২৯ (এজেন্সী) :
য়েমেনগী কেপিটেল সনাদা লৈবা মিলিটরি সাইট অমদা সাউদি অরাবিয়ানা লুচিংবা কোলিসননা এয়র ষ্ট্রাইক চথরক্লে হায়না হৌথি মিলিস্যানা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

হৌথি মিলিটেন্টশিংনা চলাইবা অল-মাসিরাহ টিভিগী রিপোর্টনা হায়খিবদা এয়রষ্ট্রাইক অদু লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক্তা সিটি অসিগী অল-কসোরত এরিয়াদা চথরকখি। ৱাফম অদুগী মতাংদা কোলিসননা ৱারোল অমত্তা ফোঙদোরকখিদে।

হৌথিশিংনা হন্দক মতম খরা অসিদা বোর্দর লান্না সাউদি সিটিশিংদা চথবা দ্রোন অমসুং মিসাইল এটেকশিং হেন্না কনশিনখি। কোলিসনগী ষ্টেটমেন্টশিংগী মতুং ইন্না, হৌথি এটেক খুদিংমক ইন্টরসেপট তৌখি।

ইরাননা শৌগৎপা হৌথিশিংনা অৱাং থংবা প্রোভিন্সশিং কন্ট্রোল তৌশিনখিবগা লোয়ননা প্রসিদেন্ট অবদ রাবু মানসুর হাদিনা লুচিংবা মালেমনা শকখঙবা গভর্ণমেন্ট সনাদাগী হন্দোকখিবদগী শেল থুমদা ৱারবা অরব লৈবাক অসিদা কুমজা ২০১৪ গী অথেংবা শরুক্তগী সিভিল ৱার থোক্তুনা লাকখি। কুমজা ২০১৫ দা সাউদি অরাবিয়ানা লুচিংবা অরব কোলিসননা হাদিগী গভর্ণমেন্ট শৌগত্তুনা য়েমেনগী কনফ্লিক্ট অদুদা য়াওশিনখি। রিয়াধতা নোংমাইজিং নুমিত্তা লৈবাক অসিগী মালেমনা শকখঙবা প্রসিদেন্ট হাদিগী মমাংদা পৱার পাইমিন্নবা অনৌবা গভর্ণমেন্ট অমা ৱাশক লৌখিবা মতুংদা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফীভম অসি লাকখিবনি।

অনৌবা গভর্ণমেন্ট অদুদা মিনিষ্টরিএল পোর্টফোলিও ২৪ য়াওই। পোর্টফোলিওশিং অদু য়েমেনগী অৱাং থংবা অমসুং খা থংবা প্রেভিন্সশিং সাউর্দন ত্রাঞ্জিস্নেল কাউন্সিল (এস টি সী) অমসুং অতৈ পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মরক্তা মান্নবা চাংদা য়েন্থোকখি। অনৌবা গভর্ণমেন্ট অদু কুমজা ২০১৯ দা য়েমেনি গভর্ণমেন্ট অমসুং এস টি সীগী লিদরশিংগী মরক্তা খুৎয়েক পীনখিবা রিয়াধ পিছ এগ্রিমেন্টগী টর্মশিংগী মতুং ইন্না শেমখি।

# ইজরেলনা গল্ফতা সবমেরিন দিপ্লোই তৌরক্লবদি অকনবা পাউখুম পীগনিঃ সরান



টেহরান, দিসেম্বর ২৯ (এজেন্সী) :
ইজরেলনা গল্ফতা সবমেরিন দিপ্লোয় তৌরক্লবদি মদুগী মায়োক্তা ইরাননা অকনবা পাউখুম পীগনি হায়না ইরানিয়ন সিক্যুরিটি ওফিসল অমনা টেহরানদা লাউথোকখ্রে।

ঐখোয়গী নেস্নেল সিক্যুরিটিগী মায়োক্তা অকন-অরিং শীংলকপদা ঐখোয়না পীরকপা পাউখুম অদু কনগনি অমসুং চাওগনি হায়বসি ইজরেলনা খঙগদবনি হায়না পার্লিয়ামেন্টগী নেস্নেল সিক্যুরিটি এন্দ ফোরেন পোলিসি কম্মিসনগী স্পোক্সমেন অবোলফাজল অমৌটৱননা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখি।

ইরানগী ওফিসল অদুনা ৱাফম অসিবু ফোঙদোরক্লিবসি দিসেম্বর ২৩ দা ৱাশিংটন পোষ্টনা ফোঙখিবা রিপোর্ট অমগী পাউখুম ওইননি। রিপোর্ট অদুনা ইরানদা ৱার্নিং তৌবা ওইনা ইজরেলগী সবমেরিন অমা গল্ফ পাংখ্রে হায়না ক্লেম তৌখি।

য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ডনা ওফিস পায়বা লোইশিল্লকপা মতম অসিদা কাংখোং চাইবগী ফীভম লাকহনগদবা মওংদা ইজরেলনা লমদম অদু টেন্সন লৈহন্নবা হোৎনরি হায়না অমৌটৱনা মখা তাখি।

# গাজাদগী কাপ্লকপা রোকেট টার্গেটতা পানবা ঙমদ্রেঃ ইজরেল

টেল অবিব, দিসেম্বর ২৯ (এজেন্সী) :
গাজা ষ্ট্রিপতগী কাপ্লকখিবা রোকেট অমা জ্যুৱিস ষ্টেট মনুংদা য়ৌবা ঙমখিদবগা লোয়ননা পেলিষ্টিনিয়ন এনক্লেভ মনুংদা ওইনা তাশিনখি হায়না ইজরেলি অর্মীনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

রোকেট কাপ্লকখিবদুনা মরম ওইদুনা নিংথৌকাবগী অহিং নোংয়াই মতুংদা গজাগা নক্লবা কিবুজ কারেম সালোমগী কম্ম্যুনিটিদা সাইরেন খোঙহনখি।

মিলিটরি স্পোক্সপর্সন অমনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, টেরিটরি য়ৌবা ঙমদবা রোকেট অমা কাপখি হায়বসি গজা ষ্ট্রিপতা খঙনখি। গজদা বেজ তৌবা মিলিটেন্টশিংনা নুমিৎ মরিনিগী মনুংদা গজাদগী রোকেট অনী কাপ্লকখি।

মদুগী মতুংদা ইজরেলনা এয়রষ্ট্রাইক কয়া চথদুনা রোকেট শাফম অমা ওইরিবা অন্দরগ্রাউন্দ ইনফ্রাষ্ট্রক্টচর অমসুং গজা কন্ট্রোল তৌরিবা পালেষ্টিনিয়ন মুভমেন্ট হমাসকী মিলিটরি পোষ্ট অমা য়াওনা গজাদা লৈবা টার্গেট কয়াদা এটেক তৌখি। অদুম ওইনমক কোরোনা ভাইরস পেন্দমিকনা মরম ওইদুনা হৌখিবা থা খরা অসিদা গজাদগী রোকেট কাপ্পগী চাং হন্থখি।

# পাকিষ্টানগী সিন্ধদা অনৌবা কোভিদ-১৯ ষ্ট্রেন থেংনরে

করাচি, দিসেম্বর ২৯ (এজেন্সী) :
য়ু কেদা হেন্না থেংনখিবা অনৌবা কোরোনা ভাইরস ভেরিয়ন্ট অদু হন্দক্তা বৃটেনদগী হল্লকখিবা পেসেঞ্জরশিংদগী লৌখিবা সেম্পল অহুমদা য়াওরম্বা থেংনরে হায়না পাকিষ্টানগী সিনধ প্রোভিন্সকী হেল্থ ওথোরিটিশিংনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লাউথোকখ্রে।

সিন্ধগী হেল্থ দিপার্টমেন্টনা য়ু কেদগী হল্লকখিবা মীওই ১২ গী সেম্পলশিং জিনোম সিক্বেন্সিং তৌনবা লৌখি। মদুদা সেম্পল তরুক কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরমখি।

হেল্থ দিপার্টমেন্টকী ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না সেম্পল অহুমদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা ভেরিয়ন্ট য়াওবগী ইঙ্গিৎ ফংখি। অনৌবা ষ্ট্রেন্নি হায়বসি জিনোম সিক্বেন্সিংনা চাদা ৯৫ কনফার্ম তৌখি। ওথোরিটিশিংনা পেসিএন্টশিংগী কন্টেক্ট ত্রেসিং চথখিবগা লোয়ননা মখোয়বু তোঙান্না থমখি। হেল্থ দিপার্টমেন্টগী স্পোক্সপার্সন মীরন য়ৌসুফনা ফোঙদোকখিবদা সেম্পলশিং অদু অনীরকশুবা ওইনা জিনোম সিক্বেন্সিং তৌগনি। পাকিষ্টানগী অপুনবা কোরোনা ভাইরস কেস অমসুং ভাইরস অসিনা শিহনবা মী মশীং লৈবাকপোকপা নুমিত্তা মথংশিৎনা ৪৭৫,০৮৫ অমসুং ৯,৯৯২ য়ৌখিবগা লোয়ননা ফীভম অসি লাকখিবনি।

# সাউদি কোর্ট অমনা নুপী রাইটস এক্টিভিষ্ট অমা জেলগী চৈরাক পীখ্রে



দুবাই, দিসেম্বর ২৯ (এজেন্সী) :
সাউদি অরাবিয়াগী কোর্টনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা নুপীশিংগী ওইবা শক্নাইরবা রাইটস এক্টিভিষ্ট অমা চহী তরুক্লোম জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখ্রে। মহাকপু কনভিক্সন পীবদা মালেম পুম্বনা কন্দেম তৌনখিবা মতুংদা জেলগী চৈরাক অসি পীখিবনি।

রাইটস এক্টিভিষ্ট অদুগী ৱায়েল অমসুং চৈরাক অসি ক্রাউন প্রিন্স মোহম্মদ বিন সলমান অমসুং য়ু এসকী প্রসিদেন্ট খল্লবা জো বাইদেনগী মরীদা শীংনবা অমনি হায়না লৌনরি। বাইদেননা রিয়াধগী হ্যুমেন রাইটস রেকোর্দ ক্রিটিসাইজ তৌখ্রবনি।

মশাগী চহী ৩১ শুরবী রাইটস এক্টিভিষ্ট হাথলাউল কুমজা ২০১৮ দা অতৈ নুপীশিংগী রাইটস এক্টিভিষ্ট কয়াগা লোয়ননা ফাখি। ৱায়েল অদুগী মায়োক্তা আপীল তৌগনি হায়না মহাক্কী মচেনা ফোঙদোকখি।

হাথলাউলসু কাউন্ট টেররিজম লোগী মখাদা সাউদি পোলিটিকেল সিষ্টেমদা অহোংবা লাকহন্নবা হোৎনবা অমসুং নেস্নেল সিক্যুরিটিদা অকাইবা পীনবা হোৎনবগী মরাল শিখি হায়না সাউদি পাউচেশিং সবক অমসুং অল-সার্ক অল অৱাগটনা ফোঙদোকখি। মঙোন্দা পীরিবা চহী মঙাগা থা নিপালগী জেলগী চৈরাক্তগী কোর্টনা চহী অনীগা থা ১০ ককথখি। কুমজা ২০১৮ গী মে ১৫ দা ফাখিবদগী অয়াম্বা মতম জেলদা লৈরকখিবা ওইবনা কোর্টনা মহাক্কী লৈবগী মতম ককথখিবনি।

পাউচেশিং অসিগী মতুং ইন্না মহাক কুমজা ২০২১ গী মার্চতা ফীভম খরগী মখাদা থাদোকপা য়াই। করিগুম্বা মহাক ষ্টেটকী মিৎয়েংদা অতোপ্পা ক্রাইম লংশিল্লবদি মখা তানা জেলদা থম্বা য়াই।

মচে লিনা ফোঙদোকখিবদা হাথলাউলবু চহী মঙা চথোক চংশিনবগী অথিংবা থমখি। চৈরাক লাউথোরকখিবা মতমদা মহাক কপখি। হাথলাউল টেররিষ্ট নত্তে, এক্টিভিষ্ট অমনি। ক্রাউন প্রিন্স এম বি এস অমসুং সাউদি কিংদমনা চাউথোকচবগা লোয়ননা তোয়না পল্লিবা রিফোর্মশিং অদুবু শৌগৎপা অমদি অহেনবা রিফোর্মশিং পুরক্লবা হায়বগীদমক্তা জেলগী চৈরাক পীবা হায়বসি মশা খক্তনা তৌজবশিংনা চুম্মী খঞ্জবগী মওংনি হায়না লিনা ফোঙদোকখি। এক্টিভিষ্ট হাথলাউলদা জেলগী চৈরাক পীবগী পাউ অসি য়ুনাইটেদ ষ্টেটনা হকচিন্না লৌই হায়না য়ু এস দিপার্টমেন্টগী স্পোক্সমেন কেলি ব্রউননা ফোঙদোকখি।

বাইদেনগী নেস্নেল সিক্যুরিটি এদভাইজর ওইগদৌরিবা জেক সুলিভানা ত্বিটরদা থাগৎপা ৱারোল অমদা বাইদেন এদমিনিষ্ট্রেসননা রিয়াধকা মরী থম্নবদা হ্যুমেন রাইটসকী ইশ্যুশিংগী মফম চাওনা লৈগনি হায়খি।

# সাউথ কোরিয়াদা লৈবা য়ু এসকী ক্রুপশিং কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপখ্রে



সিওল, দিসেম্বর ২৯ (এজেন্সী) :
সাউথ কোরিয়াদা অহানবা ওইনা কোরোনা ভাইরস ভেক্সিন দোজশিং লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লৈবাক অসিদা লৈরিবা আমেরিকান ক্রুপশিংদা কাপখ্রে।

লৈবাক অসিদা অনৌবা কেসশিং হেনগৎলক্লিঙৈ অমসুং সিওলদা হেল্থ ওফিসলশিংনা ইনৌ নৌনা লায়না অসিগা মরী লৈনবা মীশিং ৪০ রিপোর্ট তৌখিবগা ইরোয়ননা আমেরিকান ক্রুপশিংদা ভেক্সিন কাপখিবনি। অমেরিকান মিলিটরি পর্সনল ২৮,৫০০ অমসুং অতৈ ৱার্কর অমদি ইমুংগী মীওই লীশিং কয়া য়াওবা য়ু এস ফোর্স কোরিয়া (য়ু এস এফ কে) না অহানবা ভেক্সিন দোজশিং মিলিটরি, সিভিলিয়ন হেল্থ ক্যের ৱার্করশিং অমসুং ফোর্স অসিগী অহানবা রেস্পোন্দরশিং লোয়ননা য়ু এস এফ কেগী মকোক থোংবা ওফিসরশিংদা কাপখি।

য়ু এস এফ কেগী কমান্দর জেনরেল রোবর্ট অব্রামসনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, ভেক্সিন কাপ্লিবদু মশা মশাগী অপাম্বগী মতুং ইন্ননি। অহেনবা ভেক্সিন দোজশিং থুংলবগা লোয়ননা মিলিটরি কম্মান্দর অদুগী মীওইশিংদসু ভেক্সিন কাপকনি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটস মিলিটরিনা অহানবা তাঙ্কক্কী ভেক্সিন কাপ্পগী থবক নিংথৌকাবা নুমিত্তা জপানগী য়োকোটা এয়র বেজদা হৌখি।

সিওলগী ওইনদি ফেব্রুৱারিদা ভেক্সিনেসন হৌনবা থৌরাং তৌরি। অহানবদা হেল্থ ৱার্করশিং অমসুং রিস্ক ৱাংবা মীওইশিংদা কাপ্পবনি। তৌইগুম্বসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ননা ভেক্সিনেসন হৌখিবগুম্না থবক থুনা পায়খত্তবগীদমক্তা গভর্ণমেন্টবু মায়কৈ কয়াদগী ক্রিটিসাইজ তৌখি।

অমরোমদা লৈবাক অসিনা খল্লিবা ভেক্সিনেসনগী মতম অদু হর্দ ইম্ম্যুনিটি লৈহন্নবগীদমক্তা হেন্দোক্না চানরবা মতমনি অমদি অতৈ লৈবাক কয়াদগী হেন্না থুই নত্রগা ঙল্লি হায়না প্রসিদেন্ট মুন জে ইননা ফোঙদোকখি।

প্রসিদেন্ট মুননা মোর্দনা ইঙ্কী চীফ এগজিক্যুটিভ ওফিসর ষ্টেফেন বান্সেলগা ৱারী শান্নদুনা মীওই মিল্লিয়ন ২০ কম্পনি অসিগী ভেক্সিন কাপ্পবগী থৌরাং লৈরে হায়বসি খঙহনখি।

দিল অদুগা লোয়ননা সাউথ কোরিয়ানা মথং চহী লোয়বা ফাওবগী মনুংদা মীওই মিল্লিয়ন ৫৬ ভেক্সিন কাপ্পা ঙমগনি হায়না থাজরি।